

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*লাইনমেন চিংলুবদগী মেটচ অহুম অথিংবা থমখ্রবা ইটালিগী ক্লব ফিওরেন্টিনাদা ফোরৱার্দ ওইনা শান্নরিবা ফ্রেঙ্ক রিবেরি*

*চৎন–পথাপ ইন্দবদগী ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ক্রিকেট মশান্নদগী চহী অনী অথিংবা থমখ্রবা বাংলাদেশকী ওলরাউন্দর সাকিব অল হাসন*

## অসামগী সিব থাপা য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৭ ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*টোকিও, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওদা চথরিবা বোক্সিং মশান্নগী ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা অসামগী বোক্সর সিব থাপা য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর তরেৎ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল ৪ ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসাম মচা সিব থাপানা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৩ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা ইভেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী বোক্সর য়ুকী হিরাকাৱাবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।



ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপানা সেমি ফাইনেলদা জপানগী বোক্সর দাইসুক নারিমাটসুগা লম্বা তৌনরগনি। জপানগী দাইসুক নারিমাটসু অহানবা রাউন্দদা বাই ফংলকখিবা বোক্সরনি।

নীংশিংবা য়াই, সিব থাপা চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মমাঙদা জুনিয়র অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা নিখট জারিনসু কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা বাই ফংদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জপানগী কোনুং টোকিওদা চথরিবা ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী বোক্সিং দিসিপ্লিনদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট সুমিত সাংৱান (কেজি ৬১), আসিস (কেজি ৬৯), ভানহলিম্পুয়া (কেজি ৭৫), সিমরনজিৎ কৌর (কেজি ৬০) অমসুং পুজা রানী (কেজি ৭৫) নি।

নুপাগী কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন বোক্সিং দা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা নুপীগী কেজি ৭৫ দা শরুক য়ারিবা পুজা রানীনা সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলগী বোক্সর বিত্রিজ সোরেজগা থিন্নরগনি। রানী চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভল মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

তরুক্লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মণিপুর মচা এম সি মেরি কোমনা ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা বোক্সিং মশান্না অসিগী কেজি ৫১ গী অহানবা বাওটতা জপানগী বোক্সর সানা কাৱানোগা হয়েং থিন্নরগনি। পনবা য়াবদি মেরি কোম কেটেগোরি অসিদা ত্রাইয়েল পাঙথোক্তনা শরুক য়ারকখিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ গী সেমি ফাইনেল লম্বাশিং অদু ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিংগী রিজল্ট মতুং ইন্না লেপকনি।

ইন্দিয়াগী কন্টিজেন্টতা শরুক য়াখিবা বোক্সর অনন্ট চোপদে ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী বোক্সর টোসো কাসিৱাসাকিগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরম্লবা মতুং নক্লবা স্কোর পোইন্ট ২–৩ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

## ইটালিনা সোলোমোন আইলেন্দবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেন অমসুং আর্জেন্টিনা দ্রো চৎখ্রে



*গামা, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চৎলিবা থা অসিগী ২৬ তগী মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ২৪ না গ্রুপ ৬ থোক্লা খাইদোক্নুনা শান্নবা হৌরকখিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ মেটচ অমদা ইটালিনা সোলোমোন আইলেন্দবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা গ্রুপ মেটচ অমদা স্পেন অমদি আর্জেন্টিনা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিনা সোলোমোন আইলেন্দবু গোল ৫–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইটালিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। ইটালিগী এটেকশিং অদু সোলোমোন আইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী মেটচকী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চলহন্দনা থমখি।

মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেগনান্দ গোন্টোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ইটালিনা অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ৫ লৈরগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই নিকোলো কুদ্রিংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থারিবা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা দেগনান্দ গোন্টোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ইটালিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু সোলোমোন আইলেন্দগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহেনবা গোল চলহন্দনা থমখি।

সোলোমোন আইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা ইটালিগী অতোপ্পা শান্নরোই ফ্রাঙ্কো টোগিয়ানা গোল অমগা হাপচিনখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ৯ খক ঙাইরবা মতমদা ইটালিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এন্দ্রিয়া কেপোনেনো গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ইটালিনা সোলোমোন আইলেন্দবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পরাগ্বে অমদি মোক্সিকো য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখিবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেন অমসুং আর্জেন্টিনা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমখ্রবসু আর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লখিবদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফতসু গোল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টাজিকিস্তাননা কেমেরুনবু গোল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না মান্নরকখিবদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা টাজিকিস্তানগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সারিফবেক রাহমাটোভনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ১–০ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা সারলোরলক্স ওপনদা টাইটলগী মীৎয়েং থল্লি, সাইনা ৱিদ্রো তৌখ্রে

*সারব্রুকেন, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা ঙসি অথেংবদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেননা টাইটলগীদমক মীৎয়েং থল্লি, ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।



সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেন ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। মহাক অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটু ই হৈনো অমদি ইলিয়াস ব্রেক্কে অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেন চহী অসিদা পাঙথোকখিবা বেলজিয়ান ইন্টরনেসনেল অমদি দটচ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা পোলিস ওপনদা ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি। লক্ষ্য সেননা সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙল্লিবদি চহী অসিগী ওইনা অহুমশুবা টাইটল ওইগদৌরিবনি।

সারলোরলক্স ওপন অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোইশিং অদুদি কিরন জোর্জ, মিথুন মঞ্জুনাথ অমদি রাহুল ভর্দৱাজনি।

ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর লন্দন ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমত্তা য়াওখিদ্রে। সাইনা নেহৱাল চহী অসিগী জনুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৯শুরবী সাইনা নেহৱাল টুর্নামেন্ট অহুম থংন–থংননা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরবা মতুং হন্দক্তা লোইশিনখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র ভাইভাভ অমদি প্রকাস রাজসু শরুক য়ারি। মখোয় অনীনা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী অমির অমদি জাইনালগা শান্নরগনি। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র পুজা দান্দু অমদি সঞ্জনা সন্টোস ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র রোহন কাপুর অমদি সঞ্জনা সন্টোসনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী ইলোই এদাম অমদি মার্গোট লাম্বর্টকা লম্বা তৌনরগনি।

## নেদরলেন্দস টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইখ্রে

*দুবাই, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা নেদরলেন্দসনা য়ু এ ইবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে, অদুবু মায়থিহৌরবা য়ু এ ইদি ক্বালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা লৈখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী য়ু এ ইনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮০ খক লৌবা ঙমখি। য়ু এ ইগী ইন্নিংস অসিদা কেপ্টেন অহমেদ রাজানা রন ২২ লৌখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মেটচ অসিদা নেদরলেন্দসকী বোল্লর ব্রেন্দন গ্লোভরনা য়ু এ ইগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমখি।

নেদরলেন্দসনা মায় পাক্নবগী রন ৮১ লৌবগী মথৌ তাখিবা অসি ১৬শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন ২ আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৮ দা মায় পাক্লুনা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

নেদরলেন্দসকী ইন্নিংস অসিদা ওপনর বেন কোপ্পরনা আওট ওইদনা রন ৪১ লৌখিবা অসিনা টিম অসিনা মেটচ অসি চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী জোস্না প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

*কাইরো, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইজিপ্তনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নম্বর টু সিদেদ ইজিপ্তকী শান্নরোই নোর ইল সেরবিনিগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পা ইজিপ্তকী শান্নরোই নোর ইল সেরবিনিগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ৫–১১, ৩–১১, ৬–১১ দা য়াম্না শোথনা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পানা হোংকোংগী শান্নরোই হো জে লোকপু গেম অনী ১১–৫, ১১–৪ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ হোংকোংগী শান্নরোই হো জে লোক শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জেস্না চিনাপ্পা মায় পাক্নুনা কাঙলূপ অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

## পেরিস রোলেক্স মাষ্টর্সতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রুশিয়াগী শান্নরোই কারেন খচানোভ মায়থিহৌরে

*পেরিস, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা রোলেক্স মাষ্টর্সতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রুশিয়াগী শান্নরোই কারেন খচানোভ জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্ট্রুফকী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী জান লেন্নার্দ ষ্ট্রুফনা ৮শুবা সিদেদ দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রুশিয়াগী কারেন খচানোভপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৩–৬, ৭–৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী শান্নরোই জোৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভপু ৪–৬, ৭–৫, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ মাটিও বেরেটেনিগা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই এদ্রিয়ান মানারিনোনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা নোরৱেগী শান্নরোই কেস্পর রুদপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নরগনি।

রোলেক্স মাষ্টর্স অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোই টেলর ফ্রিটজনা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোই ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ৭–৬(৮–৬), ৩–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসকা লম্বা তৌনরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এলেক্স দি মিনোরনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী লাসলো জেরেবু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৯শুবা সিদেদ স্পেনগী বোষ্টিটা আগুটকা শান্নরগনি।

বৃটেনগী কাইল এদমুন্দসু নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা লুথুৱানিয়াগী শান্নরোই রিচার্দস বেরানকিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

## এন্দ্রোনোভস্কিনা হেদ কোচ ওইখ্রে

*ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

মেসেদোনিয়ান–অমেরিকান মচা লাটকো এন্দ্রোনোভস্কিনা য়ু এস ৱুমেন'স ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে।

ৱাশিংটনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাওগী মীফম অমদা য়ু এস সোক্করগী প্রসিদেন্ট কার্লোস কোরদৈরোনা লাটকো এন্দ্রোনোভস্কিনা লৈবাক অসিগী নুপী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা খনবগী ৱাফম অসি লাওথোকখিবনি।

নেসনেল টিম জেনরেল সেক্রেটরী কেট মার্কগ্রাফনা ফোঙদোকখিবদা হেদ কোচ খনবগী প্রোসেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অমদি হান্নগী শান্নরোইশিংদা লাটকো এন্দ্রোনোভস্কিকী মমাঙদা লৈরম্বা কোচিং রেকোর্দশিং অদু পাউদমখি। সেলেক্সন কম্মিটি অসিনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লাটকো এন্দ্রোনোভস্কিবু ফম অসি পায়হনখিবনি।

## দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসতা নেদরলেন্দসকী বর্টেন্সনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিবু মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই কিকি বর্টেন্সনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিপু মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিগী অহানবা সেট ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা অনীশুবা সেটতা য়াম্না ফজনা শান্নরক্লুনা বার্টিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অসি সেট ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাবু সেট ২–১ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিগী অহানবা সেট স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ৬–৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

অনীশুবা সেট পেত্রা ক্বিটোভানা ৬–১ দা থোইখ্রবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুনা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই বেলিন্দা বেন্সিকনা ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট গুনাসেকরননা টোকিও পেরালিম্পিক্সতা মীৎয়েং থল্লি

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড মিলিটরি গেমসতা গোল্ড মেডল ৩ লৌখিবা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট আনন্দন গুনাসেকারননা কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরালিম্পিক্স গেমসতা মেডল ফংনবা মীৎয়েং থল্লি।

আনন্দন গুনাসেকরন ইন্দিয়ান আর্মিদা লান্মী অমা ওইরিবনি। কুমজা ২০০৮ দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলদা মাইন পোকখায়বদা ওইথংবা মখোঙ ককখিবনি।

মশাগী চহী ৩২শুরবা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট আনন্দন গুনাসেকরননা ৱুহানদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড মিলিটরি গেমস অদুদা মিটর ১০০, ২০০ অমসুং ৪০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট আনন্দন গুনাসেকরন চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স গ্রান্দ প্রিগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড মিলিটরি গেমস অসিগী সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী আনন্দন গুনাসেকরননা মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড লৌরগা মিটর ১০০ দা সিলভর মেডল ফংখিবনি।

ক্রোসৱার্দ ৩২২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | P | | P | O | M | E | | P | A | P | A | L |
| O | N | T | O | | A | M | E | X | | A | C | U | T | E |
| R | I | A | L | | G | I | S | T | | M | E | N | U | S |
| S | T | R | I | K | E | T | H | R | E | E | | C | B | S |
| T | A | T | T | O | O | | | A | L | L | A | H | | |
| | | | E | R | N | S | T | | M | A | S | C | O | T |
| R | A | H | | A | E | N | E | A | S | | H | A | L | E |
| A | L | I | G | N | | E | R | S | | L | Y | R | I | C |
| P | E | T | E | | S | E | N | E | C | A | | D | O | H |
| S | C | R | A | P | E | | S | C | A | L | P | | | |
| | | E | R | A | T | O | | | R | A | R | E | S | T |
| A | M | C | | J | A | B | B | E | R | W | O | C | K | Y |
| B | I | O | T | A | | E | A | S | Y | | P | O | E | M |
| C | D | R | O | M | | S | U | M | O | | E | L | E | E |
| S | I | D | E | A | | E | D | E | N | | L | E | T | S |